# হান্না ৱারোইশিনগীদমক তকশিল্লো

## অদুগা খূৎতা হামদুনা চারো

হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা তৌগদবা থবকসি করিনো ? হায়বদি ফীভমসিগীদমক 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরিবসি করিনো হায়বনিদা। ৱাফমসিদি ষ্টেটসিগী মীয়ামদগী হেন্দোরক্তুনা 'লাই লাক্তুনা' তাল্লনবগী মথৌ তাহন্দুনা অদুম্মক থস্বদি চুল্লোই। মীয়ামগী অপাম্বদি চীং অমসুং তমগী তাইনফমদা লৈরিবা রেদ অমসুং বফর জোনশিংগী শম্বল অমসুং সনথোংশিং থুদেক্তুনা নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহনবা, লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরল্লিবা আই দি পিশিংবু মশা-মশাগী ময়ূম-ইখোলশিংদা হঞ্জিনহনবনি। হায়রিবা ফীভম অনীসিবু নে-তানা অমসুং নীংথিজনা ওইহল্লকপা ঙল্লবদি মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবদু শোয়দনা অমুক হঞ্জিনহল্লকপা ঙমদোইনি। মসি ওইরগদি মে ৩, ২০২৩দগী চম্থরকখিবা তমথীরবা লানসি লোইশিন-খমজিনবদা নত্তুনা মখা শাংথরক্লরোই হায়বগী পূক্লিং লূম্বা ফীভম অমসু ওইহল্লকপা ঙমগদৌরিবনি। অদুননি হৌজিক ওইদুনা লৈরিবা ফীভমসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ইহান-হান্না তৌগদবশিংসি করি-করিনো হায়বগী ৱাহং চোংথোরল্লিবসি। হোয়, মীয়ামগী মীহুৎশিং ওইদুনা চঙ-চঙ লাউনা এম এল এ ওইরিবশিংনা লৈঙাক শেমদুনা লিংনীংবা হায়বসিদি মহৌশানি, হৌনবীনি। হৌজিকসু লৈঙাক অমা হেন্দোক্লা লুচিংদুনা শেম্বা য়াবগী লৈরিবা মশীংসি লৈরমদ্রবা ফাওবদা লৈঙাক পায়বা য়ানবা মশীং শুহন্নবা তাশিন-খোমজিন্দুনা হোৎনরমদোইনি। হোৎনফমসু থোক্লিবনি। মরমদি মীয়ামগী মীহুৎশিং ওইনরক্লিবশিংসি প্রসিদেন্টস রুলগী লূল্লবা পোৎলূম থোনগৎলগা সস্পেন্দেদ এনিমেশননা মখোঙ নাম্মা থুদেক্লগা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী লম্বীদা লমহাঙননা শেকৌ-শেকৌ চৎননবা নত্তে। মীয়ামগী লৈঙাক পায়দুনা লৈঙাক্লোই ওইনীংবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মসিদা ৱারৌ-পুক্লৌনদুনা খোইখা-লিনখা থারুগদবা নত্তে। তৌবতবু অনৌবা লৈঙাক অমগা শেল্লগা ওইনীংলিবা লৈঙাক্লোইশিংদু করি-করম্বা ফীভম ওইরবা, লৈহল্লবা মতমদা ওইথোরক্কদগে হায়বদুদি তঙাইফদনা খঙঙু হায়বনি।

ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম হৌননবা শেম-শাবা, থৌরাং পূম্নমক পূল্লোই লোইশিল্লুরগা ফেব্রুৱারী ৮, ২০২৫গী নুমিদাংদা তনকৌ-কৌরক্লগা মথংগী নুমিৎতা রিজাইন তৌহনখ্রিবদু করিনো হায়বদুগী মরমশিং খঙলিরা-খঙদ্রিরা, খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদ্রিরা লৈঙাক শেল্লনি অমসুং শেমহল্লক্লগনি হায়দুনা খা-ৱাং থুংনবা চেল্লকপদা মমি মচেৎ অমা ফাওবা তাবা উদে। মসিদবু অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহল্লক্তুনা কম্মাইনা অমুক হন্না লৈঙাক্লোইশিং ওইজনীংলিবদু ওইজবা ফংগদৌরিবনো হায়বনি। মসিমক্লা শেমহল্লক্তবদগী হৌজিক পি আরগী মতম থা ৪ হেঞ্জিল্লক্লিবসিনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক লুচিংদুনা পায়রিবা পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং পার্টিসিগী মায়কৈদগীবু মখোয়গী পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈহন্নীংলম্লোইদবা হৌনদে। অদুবু মণিপুরগী গভর্ণর মথং-মথং শিন্দোরকখ্রিবদুনদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মহুৎতা পি আর থম্নিংবগী মফি শেল্লক্লে হায়বসি খঙহৌদব্রা? ৱাখল তাহৌদব্রা হায়বনিদা!! লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফমশিংদা মমিৎতগী ঈ মতুম-মতুম তাবা মখে শাওরবা ওপোজিশন এম পিশিংনা 'বজ্র' দগী হেন্না অকনবা ৱাফমশিং হৈথরকপদগী মনাকোং শীংজা য়েরবসু অমিট শাহ অমসুং নরেন্দ্র মোদিনা ফৈগাক ফৈনা পিরাই ঙাক্তুনা য়েনবীনা য়েন্নাওশিং কোনশিনবদৌনা খঞ্জিল্লগা থল্লকখিবা নৎত্রো? অদুবু মখা তানা কুইথ-শাংথনা য়োক্লুবদা হিংলরোই হায়দুনা 'আ...দা' কৌরগা 'আত্মাঘাট' তৌহল্লকপনি। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরকপদা খুনু মখোঙ শল্লৌবগুম থোক্লনি, মণিপুরবু শিৎ-নালহন্নীংবদা 'থুনাম্বা' ওইরনেনা শিত্তোক চামথোরকপা নৎত্রা? মসিগী ৱাখলসিনা লেপ্তুনা খল্লকপদগী মণিপুরগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা 'নো-কনফিদেন্স মোশন' থাঙ্গৎলনি হায়রকপদুগী খুদোংচাবা লৌখিবনি। ঈরুজনীংলকপদা থোঙ্গ্রা তেকথরকপা ওইনা থোকখিবগী ৱানি। হৌজিকসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা অমসুং বি জে পিগী নেশনল লীদরশিংনা করিগীদমক মখোয়গী পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈহন্নীংলম্লোইদৌরিনো? নরেন্দ্র মোদিগী 'ৱান নেশন, ৱান ইলেক্সন' হায়বদুসু ওইথোক্কদবা তাল্লিবনিনা নখোয় নশেলগী লৈঙাক লৈহন্নীংলিবনি। মণিপুরগী ১৩শুবা এসেমব্লি মীখলগী মতমসু নকশিল্লক্লবনি। মরম পূম্নমকসিনা হৌজিক মচি-মচিদা মফম-মতম থিদনা পুনশিন্নবা য়াবা-য়াবশিং তাশিন-খোমজিন্দুনা মীফমনি হায়দুনগা পাঙথোকপনা করিমত্তা কান্নরোই। লৌরিবা ৱারেপ চরোংদুসু ঊচি ৱারেপশিং ওইনি। নুঙদা ঈশিং চাইবগুম থোক্কনি। থা ৪ হেন্নসু থোক্তুনা লাক্লিবসিনি। হায়বদি হৌজিক অমগা পুনশিন্নরিনি, তাশিন্নরিনি, ৱারেপ লৌরিনি, গভর্ণর উনরি, অইবা চেরোল পীশিল্লি হায়বশিংসিনা অনৌবা লৈঙাক শেল্লক্লবগী অচৌবা অমসুং অনৌবা কৈরাক ওইরকপদি ওইসনু। অদুবু হোৎনজরিবশিংদু শোয়দনা 'শিধ' পালহন্দুনা ওইথোকহনগে হায়রবদি লৈঙাক অমা লিংলক্লবগী মতিক-চাবা ফিদা অমা থানবা মীহুৎশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগা হান্না হোৎনখো। এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থল্লে, য়োমশিল্লম্বা মীহুৎকী পৱারশিং লৌথোকখ্রে হায়রবসু লানসিগী ৱারোইশিন পুরকউ, চীং-তম চঙন-থোক্লা য়াহল্লু, আই দি পিশিং মশাগী ময়ূম-ইখোলদা হঞ্জিলহল্লু হায়দুনা পুল্লপ চৎলগা হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী থোঙ ফাওবদি থিল্লুবা য়াদব্রা? ওইরিবা ফীভমসিদি নাকপাক তানরম্বশিংসু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগদবনি। পার্টিগী ফাওবা খেন্নবা থমদনা খোঞ্জেল অমত্তা ওইনা লাউমিন্নরুরগদবনি। অমিট শাহনা তংদু লৈতাবা পুরক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক শেমহল্লোই হায়রকখিবদু চুম্বু-চুমদ্রো, তাদব্রো? চীফ মিনিষ্টর মানা ওইগদবনি, মহাক ওইহনসি কায়না হারোই-হারোই চেল্লিবশিংগদু করিমত্তা কান্নরোই। দেল্লীগী লুচিংবশিংনা 'মহাক' ওইহল্লো হায়রকপদা 'পামজদে ইতা অমুবা জাৎসে' হায়রুবা ঙমগদৌরিব্রা? কান্নদে, পি আর লৈঙাক্লা 'ক্রেদিট' লৌগেসু লৌজখিসনু। লানসিগী ৱারোইশিন পুরকহল্লম্নবা খুমাঙ হোৎতুনা হোৎনমিন্নরো। ঈং-তপ্পবু হঞ্জিল্লক্লবদি অনৌবা লৈঙাক শেম্বা হায়বদুদি 'খূৎতা হামদুনা চাবা' হায়বদুম্মক থোক্লগদবনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৮১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

হচোম লালকারকপা। নরান লালচীংবা অথৌববু লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌ মুংয়ামবা। থোংনাং তাখেমপা নারনফাবা ও। সনা মিংকৌখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌ মুংয়ামবা। থোংনাং ময়ামবা মিংকৌবদি চোইনৌ সনা মিংথোলগা থোইনা হেননা চুশিননা চানবনে।

**মৈতে লৈমা কাইনৌ চঙবোমবী**

নবেনথৌ মৈতৈ লৈমা নোংপানলোন অঙোম চনু কাইনৌ চাঙবোমবী ও। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯸꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫꯫)

ꯍꯆꯣꯝ ꯂꯥꯜꯀꯥꯔꯛꯄꯥ꯫꯫ ꯅꯔꯥꯟ ꯂꯥꯜꯆꯤꯡꯕꯥ ꯑꯊꯧꯕꯕꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ꯫꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯊꯥꯡꯕꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯨꯡꯌꯥꯝꯕꯥ꯫꯫ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯇꯥꯈꯦꯝꯄꯥ ꯅꯥꯔꯟꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ꯫꯫ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ꯫꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯊꯥꯡꯕꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯨꯡꯌꯥꯝꯕꯥ꯫꯫ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯃꯌꯥꯝꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ ꯆꯣꯏꯅꯧ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯂꯒꯥ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯆꯨꯁꯤꯟꯅꯅꯥ ꯆꯥꯟꯕꯅꯦ꯫꯫

ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯀꯥꯏꯅꯧ ꯆꯉꯕꯣꯝꯕꯤ

ꯅꯕꯦꯟꯊꯧ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯅꯣꯡꯄꯥꯟꯂꯣꯟ ꯑꯉꯣꯝ ꯆꯅꯨ ꯀꯥꯏꯅꯧ ꯆꯥꯡꯕꯣꯝꯕꯤ ꯑꯣ꯫꯫ ●

# দেল্লীদা ৱারী ! (অথুবদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা য়াবগী মরম খরা)



**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৬০**

**জিতেন নামৈরাকপম**

মণিপুরদা থোক্লিবা চহী ২ হেল্লক্লবা তংদু লৈতাদবা পূন্সি মরেল অসিনা ৱাহল্লিবসি মীতৈ-কুকি খক্তা নত্তে। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ পূম্নমক্তনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা হান্নগী ফীভমদা ঈং-তপ্পা পূন্সি মরেল অমুক হঞ্জিলহনবা হায়বসি ফূরুপ পূম্নমক্কী অপাম্বনি।

হীরম অসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা নাকল অনীমক্কী মীহুৎশিং দেল্লীদা হঞ্জিন-হঞ্জিন কৌদুনা ৱারী শাবা হৌখিবা অসিদা পোজিটিভ রিজল্ট ফংগনি হায়বগী থাজনবা লৈনরি। ঙরাংতসু ভেল্লি বেজদ সী এস ওশিং মরু ওইনা মীতৈ মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা ৱারী শানখিবা অদুনসু ঈং-তপ্পা অথুবা মতমদা পুরক্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজনবসু লৈনরি। মসিদা কুকি কাঙবুনা কয়াম কুইনা য়েৎতুনা লৈবা ঙমগনি? ৱারী শানবা অসিদা মীতৈগী ওইনদি অহেনবা দিমান্দ অমত্তা নত্তে। নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনবা, ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেশ পর্সন্স মরমদমদা রিফ্যুজিগুম ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চঙজফম লৌরিবশিং অসিবু ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা হায়বসিবু দিমান্দলা? দিমান্দ নত্তে। মীওইবগী ফংফম থোকপা হক ফংহনবদুনি। মসিমক সূ গ্রুপকী নোংমৈ চিন্দোলদা ৱা ঙাঙহন্দনা থল্লিবা কুকিশিংগীসু অপাম্বনি। ইম্ফালদা নুংঙাইনা লৈরম্বা ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা, ইম্ফালদা লৈবগী নুংঙাইবগী মহাও খঙখ্রবা কুকিশিংসু ইম্ফাল ভেল্লিদা হল্লক্তুনা লৈনীংবনা খ্রো-খ্রো খোৎলিবনি। মচিন্দা ৱা ঙাঙথোকপা ঙমদনা পেন্দনা ফুমজিন্দুনা থম্নবগী ৱানি। ফ্রী মুভমেন্ট য়ানরে নয়ূম-নয়ূমদা হঞ্জিন্নরো হায়না হেক লাউথোরকপদা চঙলক্কদবগী ঙাইদুনা লৈনরবনি।




চহী অনী হেন্না অসুম্না সুম ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বা অসিনা ৱাহল্লিবসি নাকল অনীমক্তনি। পোৎতাঙ চৈতাংগী মতাংদা হায়রগনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্তনি। বন্দ/ব্লোকেদ হেক তৌরকপা মতমদা ৱাহল্লিবসিসু মায়কৈ খুদিংমক্তনি। মণিপুরগী কোটাদা পুশিল্লকপা চেঙ, হৱাই, থাও, পেট্রোল, দিজল, কুক্কিং গ্যাস, হারনচিংবা পোৎলম পূম্নমক ইম্ফাল য়ৌরক্লবা মতুংদা দি সী (দিষ্ট্রিক্ট তরাতরুক) গী খূথাংদা মায়কৈ থুংনা ফংহন্নবা অমুক য়েহ্নোকখিগদবনি। ইম্ফালদা পোৎ থুংলদ্রবদা নাগানা মরু ওইনা তাবা মফমশিং তমেংলোং, উখ্রুল, চান্দেল, সেনাপতি ফাওবা পোৎ ফংদবা, তাঙবগী খুদোংথীবা মায়োক্লরিবনি। তমেংলোং, উখ্রুল, সেনাপতি বজারদা দুকান ফম্বশিং ইম্ফাল তম্না লাক্লগা গলামান পোৎ চৈ, অচৌবদগী মচা মশু পূম্নমক তিক্লগা হনখ্রগা অমুক য়োন্নরিবনি। মরমদি ইম্ফালগী পাওনা বজার, থাঙ্গাল বজারগী করবারৱালাশিংগী গুদাউন্দদা ফংদবা পোৎ চৈ অমত্তা লৈতে। করিগুম্বদা ঐখোয়না খল্লি - সেনাপতিগী দুকান্দারশিংদি নাগালেন্দ নক্লবনিনা নাগালেন্দগী পোৎ চৈ তিক্লমগনি। অদুবু মদু নত্তে। সেনাপতিদগী দিমাপুর ফাওবসি কিলোমিটর ১৪৭.২ লাপ্লি। মদু তান্না চৎলগা পোৎ চৈ তিক্লুবদা চঙবা মতম, ভারা পাশিল্লুবদা শুপ্নতগী কিলোমিটর ৬০ লাপ্পা ইম্ফালদগী তিক্লুরগা য়োনবনা হেন্না তোংই। উখ্রুলসু চপ মান্নে। জেসামি ফাওরগা দিমাপুর য়ৌবদা কিলোমিটর ২১৯ লাপ্পী। মদুদা চঙবা মতম, ভারা পাশিনবীয়ু। মরম অদুনা ইম্ফালদা অৱাবা তারকপদা মদুগী চৈথেং মণিপুরগী মায়কৈ খুদিংমক্তা ফংই। খরা হেক শাফরিবা হায়ববু জিরিবাম খক্তনি। জিরিবামদগী সিলচর ফাওবসি কিলোমিটর ৫৩ রোমদংনি। সিলচরদগী পোৎ মখল খুদিংমক তিক্লুরগা জিরি কৈথেলদা য়োনবা য়ারে। লুরিবদি জিরি কৈথেল অসি নোংম-নোংমগী শিথরক্লি। ৱেষ্টর্ন গেটকী অসাম কেদর, জিরি থোং লাম্হোক্লগা জিরিঘাট বজারনা মহুৎ শিনজিনখ্রে। জিরিঘাট, অসাম পল্লকপদা য়ুঙাং দুকান ৩/৪দু মীৎতা শংশং উরকই। মসিমক্তি লাইবক থীবনি। ফ্রী মুভমেন্ট হেক য়ারকপা মতমদা জিরি কৈথেল অমুক হিংগৎলক্কনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রে লানগী চৈথেংনা ৱাহল্লিবসি মীতৈনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরে। পল্লুদ্রবসু য়ারে। মীতৈনা ৱাজে হায়বগী ৱানি। শেলবু হেক লৈরবা ইম্ফালদা ফংদবা পোৎ অমত্তা লৈতবনি। ঐখোয়না ৱাই কায়সিদি কচ্চানি-কচ্চা। কুকিনা ৱারমগদবসি মীৎ উইশিল্লগা অমুক্তং পাবীয়ু। কাংপোকপীগী কুকি কাঙবুদি মীতৈনা ৱাবগা অম্মানি। চূড়াচান্দপুর, চান্দেল তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা খুন্দারিবা কুকি কাঙবুদি শেঞ্জাও পায়বা খরা নত্তনা অতৈদি ৱাবদা ফেরে-ফেরে হাইবীনি। পোৎ চৈ তাঙবগী হায়রুরবদি লুপা ৫০ পীবা চেঙ লুপা ৭০, পেট্রোল/দিজলগী মমল হেনগৎলি, বিলাটিমাতি বোরা অমদা লুপা ৭০০, এম আর পি থাবা পোৎলম খুদিংমক ত্বেন্টি/থর্টি পর্সেন্ট হেনগৎলগা য়োল্লি। অদুগা পোৎলম শুনা ফংবসু নত্তে। চূড়াচান্দপুরদগী Astor Z. Lunkim কৌবা অমনা হায়- "Items sell 20-30% above MRP, sometimes more" কুকি পিপল এল্লাইএন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট Dr. C. Thangsing says - "This is harsh reality we live with, I'm building a bed and breakfast lodge and the cost of construction in the hills is crippling" অসিদসু নত্তে। হেল্থক্যের অমদি এদ্যুকেশন্দসু লৈখা তাখ্রে। চূড়াচান্দপুরদা মেদিকেল কোলেজ, হোস্পিটাল, ডাক্তর স্পেসিএলিষ্ট অমত্তা লৈতে। কোক কায়রগা ফোৎপা, শরূ তেক্লগা শম্বা, কোক চিকপা, দাইরিয়াগী গুলি খরা থাবা ফর্ষ্ট এইদ পীবখক্তনি। খরা লুবা অনাবা অমা শেল পায়দ্রগদি অদুম তৎলে। ক্রোনিক দিজিজনা নারবা কুকি, দাইএলাইসিস তৌরবা অনাবগা লোয়নরিবশিং ডাক্তর লৈতবদগী হীদাক ফংদবদগী মশীং থিঙমদনা শিখ্রে হায়বগী পাউ লৈরি। করিগুম্বদা ফ্রী মুভমেন্ট য়ারম্লবা অরুবা অনাবা কয়া ইম্ফালগী রিমস, জে এন হোস্পিটালদা লুপা ২০গী টিকেট কল্লগা অপাম্বা ডাক্তরদা য়েংহল্লগা, হীদাক থারগা কল্লম্বা য়ারম্বা পূন্সি কয়া চৎখ্রে।

অমুকসু এদ্যুকেশনগী লাইনদা হায়রগনা সেন্ত্রেল সর্ভিসকী এগজাম নৎত্রগা নীটকীবু ওইরো ইনক নকপা ইম্ফালগী সেন্টরশিংদা থাবা য়াবদু চৎপা য়াদবনা কুকি মহৈরোয় কয়াসু অৱাবা মায়োক্লরি। সেন্টর খনবা মতমদা মিজোরামগী আইজোল, গুৱাহাটি, শিলোং নৎত্রগা কোহিমাদা থাবা নত্তনা পাম্বে লৈতে। মদুদা চঙবা মতম, লম্বীগী অৱাবা, লেকফম-চাফমগী চঙবা শেল ময়াম পারুবদা লায়রবা অমদদি পরিক্ষা থাবা তোকপা নত্তনা পাম্বে লৈতে। কুকি মহৈরোয় মরোল অমা মাঙখ্রে। লাইরিক তম্বা তোকখিবা, পরিক্ষা থাখিদবা মশীং থিঙমদ্রে হায়বগী রিপোর্টসু লৈরি। চূড়াচান্দপুরদগী আইজোল ফাওবগী লম্বীগী অরাপ্পসি কিলোমিটর ৩২৭নি। টাটা সুমো, ৱিঙ্গরগুম্বদা পুং ৯/১০ চঙনা করিগুম্বদা পুং ১৬ চঙনা ঈরোই লৈয়োনবগী চীং লম্বী নীংখাইরকপদদি পুং ২৮ চঙবা ফাওবা য়াওখ্রে হায়না নেশনল ন্যুজ অমদা হাপ্লকপসু থেংনখি। গাড়ী ভারানা য়ামদ্রবদা লুপা ৩০০০-৪০০০ ফাওবা, আইজোলদগী গুৱাহাটি ফাওবা এরোপ্লেন তোংবগী টিকেট মমল নোর্মেল টাইমদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৫ নৎত্রগা হেনগৎপা মক্তনি। আইজোল টু গুৱাহাটিগী অরাপ্পনা কিলোমিটর ৪৭৫, বসতা চৎকে হায়রগনা য়ামদ্রবদা লুপা ১৪০০/১৫০০ পুং ১৫/১৬ তোংবা তাবা। অনা লায়েংগেরা, মহৈ তম্বা নৎত্রগা হীরম অমগী হেক্তা ওইসনু হোটেলগী, কা ভারাগী লৈফম চাফমগীনে পারুবদা কুকি ইনাকখুনবখক্তগী জর্নিনি। লায়রবদি পাম্বে শুংলৈ লৈতে। চূড়াচান্দপুরদা অসুক ৱারগদি তেংনৌপলগী কুকি কাঙবুদি কমদৌরমগনি। ঙরাং নহান্তগী পাউ অমদা উখ্রুলদা পোষ্টিং তাবা কুকি ইন্দিয়ন আর্মিদা থবক তৌবা অমা চূড়াচান্দপুরগী ময়ূমদা ছুটি লাকপগী হঙ্গৎ হন্দাদা লুপা লিশীং কুন্থ্রাগী মথক্তা তিংখি হায়না তাখি। উখ্রুলদগী ইম্ফালদা বসতা লুপা ২০০/৩০০, ইম্ফাল টু চূড়াচান্দপুর লুপা ২০০ অমগা তিংলগা লাকপা য়াবদু লানসিনা মরম ওইরগা লুপা লিশীং ৩০ হেন্না তিংলগা মতম চঙনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবদু নুংঙাইতনা পাউদমখি হায়রি। উখ্রুলদগী চূড়াচান্দপুর য়ৌগে হায়রগদি গুৱাহাটি, আইজোল এরোপ্লেন তোং তোংদুনা চৎপা অদুগা অমুক লম্বী ফত্তবদা মতম চঙনা চৎপা তাবনি।

খুদোংথীবা ময়াম অসিনি ঙসাই কুকিশিং ইম্ফাল য়ৌনীংবনা খ্রো-খ্রো খোৎনবনি হায়জখিবদু। মীতৈ ঐখোয়গীদি মীওইবগী চৎনবী থুগায়গুমসি হায়বখক্তনি। মদুদা ৱারী শানরিবা সূ গ্রুপ্না সুম য়েৎতুনা লৈবসু য়ারোই। হোম এফ্যেরসকীগী নেগোসিএটরশিংনা অমিট শাহগী মহুৎ শিন্দুনা ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রগদি সূ ককথৎকনি হায়বগী পাউসু লৈরে। ৱারী শানরুবদা য়াওরুবা ফোক্সকী পাউদম মতুংইন্নসু নম্ফুন্দা লম্বী চৎহনববুদি য়াই, ঙম্মী। Cohesive force তৌরুবদা Coleteral damage থোক্কনি। মীশি মীনা, অমাঙ অতা য়াম্না য়াওগনি খনবদগী নাকল অনীমক্লা য়ানরগা হন্দ্রেট পর্সেন্ট মায় পাক্লা তুং কোয়না চৎহৌবনা ফৈ খনবদগী খরা তপথবগী ৱানি হায়রি। মরম অসিনা মখোয়না কান্নবা খরা ফংনবা শেলথুম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর খরা নিহৌবা নত্তনা তোঙানবা লৈঙাক্কী ৱাদি ৱারী শানবদা য়াওনীংঙাই শুক্লে লৈতে। মরমদি হোম মিনিষ্ট্রিগা সূ গ্রুপকা ৱারী শানবদা সূ ......... ইহান হান্না য়াওরি- "Signitories of UPF and KNO abide by the constitution of India, laws of the land and terretorial integrity of Manipur" কুইররোই মণিপুরদা থিংলম্বা চৎথোক চৎশিন য়াহল্লক্তুনা অথুবা মতমদা শোয়দনা ঈং-তপ্পা লাক্লগনি। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১০৯

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অঙনবা মতমদা মীয়ামগী মরোলদা 'মণিপুর' হায়না ওন্থোক্তুনা কৌরবসু মৈহৌরোলদগী য়েলহৌমী ওইনা লৈরক্লবা 'মৈতৈ' হায়বা ফূরুপসিগীদা কোন্না হাপ্নরিবা 'সিংহ' হায়বা ৱাহায়সিগী মতাংদদি মথক্তা পনখিবা থিজিনলোইনদি ৱাফম অমত্তা পল্লমদে। মসিনা তাকপদি অদুঙৈ মৈদিংঙু চরাইরোংবা (খৃ: ১৬৯৭-০৯) নিংথৌগী সনা হাক্তক্তগী মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী নিমান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌরুবা হাক্তকতগী হৌরগা মৈতৈগী মিংগী মমৈদা/মনিংদা 'সিংহ' হায়না তপ্পিবসি, ইন্দিয়াগী মশক খঙবা মীওই ফূরুপ (মীরোলদা-জাতি/কম্যুনিটি) ওইদে হায়বগা পাঙ্খক্লি। অসিগুম্বা মরম কয়াসিগী 'সিংহ' হায়বা ৱাহায়সি ৱাহম্হোক লৈতবা অমা ওইবনা অইবা ইশানা তাঙ্কক নাইনা মমাঙদা ইখ্রবা অশাংবা ৱারেং 'ঈনাৎলা মীনাৎলা য়োকখৎকদবা' হায়বদুদা 'সিংহ' হায়না মৈতৈ/মীতৈগী মিংগী মমৈদা/মনিংদা তপ্পীবসি তপফম থোক্তবনা তপ্পা তোক্লসি হায়না চহী খরগী মমাঙদগী হৌনা মীয়ামদা, তপ্পগী অচুম-চুমদা করিনো হায়বসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা খন্থবিনবা, পাউজেল পীজখ্রে।

মৈতৈ/মীতৈশিংগী মিংগী মমৈদা/মনিংদা 'সিংহ' তপ্পা তোক্কদবগী অতৈ অতোপ্পা মরম খরা :-

মথক্তা ঐখোয়না খঙখ্রে মদুদি শিখশিংগীদা য়ূম্নাক ওইনা 'সিংহ' তপ্পদি ৱাহম্হোক অমগা লোয়ননা মখোয়গী ফূরুপ (মীরোলদা-জাতি/কম্যুনিটি) মশক তাকপদা শীজিন্নবা ওইবনা ভারত/ইন্দিয়াদা নত্তনা মীরৈপাকশিং মখোয়না লৈরুবা মালেমগী মফমশিংদা খঙই। মখোয় মশাগী ওইবা, মীতোপ্না পীশিন্দবা, লাইনীং লাইশোন লৈজে। মিংথোল অমত্তগা মরী লৈনদে। মখোয় মশাগী হৌরক্লোনগী হৌদোক্লম্বা পারি-পুরি লৈজে। অদুনা অশেঙবনি, মীতোপ অমত্তগা মরী লৈনদে।

অদুঙৈ খৃ: কুমশিং ১৬৯৭-১৭০৯ ফাওবদা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইনা পানখিবা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী সনা হাক্তক্তা, মথক্তা হন্না-হন্না পনখ্রবা, মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন-নিমান্দি লাইনীং লিচৎতা লাইমিং পীদুনা লৌখিবা মতমদা মৈদিংঙুগী মমিংসু হোংদোক্লগা মৈহৌরোল/মীথৌরোলদগী চৎনরকপদুসু পুংহোং হোংদোক্লগা খাঙঙুথক্তা মরী মখোঙ শম্নদনা, নিংথৌ মশামক্তগী হৌরগা তুংদা লাক্কদবা চারোল শুরোলশিংদসু 'সিংহ' হায়বা ৱাহম্হোক লৈতবা ৱাহায় তপকদবনি হায়বসি মরম চাদে। ঐখোয় মৈতৈ/মীতৈগী হৌরক্লোনগী পুৱারীদি - য়াম্না শাংনা মমাঙ মমাঙদা চৎখৎলুদ্রবসু, লাইগীনা মমৈ মীগীনা মকোক ওইবা খৃ: ৩৩ শুবদা ময়ূম ৬কী কংলৈ পিবারেন ওইনা মশাগী চহী ১২০ পূন্সিলমদুনা পানখিবা অহানবা নিংথৌ মৈদিংঙু/মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী চাদা নাউদাশিংনা কংলৈ/কংলৈপাক্কী মখা শমথরকপা নিংথৌশিং ওইদুনা মশা মশাগী মিংলেন অমমমগা লোয়ননা মৈদিংঙু/মৈতিংঙু ওইদুনা পাল্লকখিবা মৈদিংঙুশিংগী চাদা নাউদানি মৈদিংঙু চরাইরোংবা নিংথৌসু। মীচম মীয়াম (মীরোলদা-প্রজা/পিপল) শিংনা য়েক তরুক্কী চাদা নাউদাশিংনি। য়েকশিংগী পুকোক অমমম অদুম লৈরকই। নুমিৎ থানা হেক লৈরিবমখে য়েক ৭কী পুকোকশিংগী মমিংশিং হোংদনা লৈখিগনি। পাক চাউরবা মালেমসিগী ফম্পাক থক্তা লৈরিবা অহিংবা থৱায় পানবা 'পা-পি' মথৌ তাবা খুদিংমক মপা-মমা অনীগী পুংবানা পোকপনি, তোঙানবা মপা-২, মমা-১ মখোয় ৩গী পুংবা অনীনা মচা অমা পোকপা য়াদে, লৈতে। লাইনীং লাইশোন অতৈগী ৱাফমদি হায়জনীংদে। ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগীদা লাইমিং লৌবা-পীবদা-তাইবঙপান অসিদা লাই অনীখক লৈ হায়না লাইমিং পীরিবদুনা মশানা শরি ৱাশকচরগা ঈনাৎকী লাইগী মিঙ্খ্রেরোল শোল্লগা লাইমিং ফংজরগে হায়না হায়জবা মতমদা লাই অনীদু কনা কনানো হায়না মচা খায়না তাকপী। "অহানবা লাইদি তাইবঙপান অসিবু শেম্বীরিবা শিদবা মপু মহাক্লি। অদুগা অনীশুবা লাইনা তাইবঙপান অসিদা তাইবঙ মপুগী খূৎশেম ওইনা পোকপীরগা তাইবঙদা খোঙদাহনখিবা/ফাওহনবিবা অপোকপা অপোকপী অনীবুনা মিৎনা উবা ঙম্বা লাই ওইবনা তাইবঙপান অসিদা লাই অনীখক্তং লৈ হায়না তাকপীবসিনা, ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগীদা লইমিং লৌবা/পীবগী শরুক অমনি।" মীওইবা অমগী শাংলবা পূন্সি খোঙচৎতা 'অশেঙবা অচুম্বা করিনো' হায়বসি খঙনবা পূন্সিগী অহানবা য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্ককনি, লাইমিং লৌবা হায়বসি।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মীরম ওড়িষাদগী লাকখিবা মীরম ময়াং মচা রাইবনমালি অচার্য্যনা ময়াং মখোয়গী নিমান্দি লাইনীংদা অদুঙৈ মৈদিংঙু চরাইরোংববু লাইমিং পীবদা মৈতৈ (মতমদুদা মৈতৈ মক্তা হায়নৈ) ফূরুপসিগী হৌরকফমগী খোঙগুল মাঙহন্নবা মওংদা মরী মখোঙ শম্নদবা ৱাহম্হোক লৈতবা 'সিংহ' হায়বা ৱাহায়সি মৈতৈশিংগী মিংগী মমৈদা/মনীংদা তপহন্নবা হায়বদগী তপ্পা হৌরকখিবসি লাইপক থিবনি হায়দবা য়ারোই। মরমদি, রাইবনমালি মশাগী মরমদমদুদা লৈবা মীরমগী লাই কৃষ্ণ নীংবা মশামক য়াওনা অতৈ মরমদম মচা অমত্তদা মশানা মৈতৈদা লাইমিং লৌবা মতমদা পীখিবা 'সিংহ' হায়বা ৱাহায়সি পীখিবা নৎত্রগা তপ্পুনা শীজিন্নহনখিবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে। মসিনা তাকপদি মহাক মশামক ফাওবা মরমদা কয়া শীংথানদবা মীশক ওইরমগদবা মাল্লকই।

মরম অসিনা 'সিংহ' হায়বা ৱাহম্হোক শুক্লে লৈতবা ৱাহায় অমা ওইবনা হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা লৈবিরিবা মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ফূরুপচা ঐখোয়গী মিংগী মমৈদা/মনীংদা হান্না খঙদ্রিঙৈদা তপখিবা 'সিংহ' হায়বা ৱাহায়সি খুদক্তগী লৌথোক্লগা হায়বদি তপ্পা তোক্লগা ঐখোয় ইশাগী মৈহৌরোলদগী চৎনহন্দুনা লৈরিবা য়েক তরেৎকী মমিংশিং ওইনা তপ্লসি হায়না থমজগে। মসিনা মালেমদা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী অশেঙবা শক্তম তাকপা ঙমহনবদা নত্তনা অদুঙৈ মৈদিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক্তা ময়াং মচা শান্তিদাস গোষাইনা য়েকপু মীরম ময়াং মখোয়গী চৎনবী গোত্রদা ওন্থোক্তুনা লৌন-লৈনবা য়াদবা য়েক খরবু লৌনা লৈনবা য়াহন্দুনা য়েক নামুংবা থোকপদগী শোয়দনা কনবা ঙমগনি।

হান্নগী মিংগী মমৈদা/মনীংদা 'সিংহ/দেবী' হায়না তপখিবসি করম্না লৌথোকপা য়াগনি?

মালেমগী লৈপাক খুন্নাই খুদিংমক্তা ৱাথোক অমা লৈরবদি লৈপাক খুন্নাইদুগী অখঙ অহৈশিং অমদি চানবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না ৱাথোক্তু করম্না মায় পাক্লা লোইশিনগদগে হায়বগী মতাংদা চানগদবা ওইথোকপা য়াবা কান্নবা থৌরম থৌশিল অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।... ●

**ওন্নখিবা**

পাউচে অসিগী লমায়সিদা ফোঙখিবা *'ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা-১০৭'* হায়রিবা আর্টিকেল অসিগী মমাঙগী ইস্যুগী ৬শুবা পেরগ্রাফতা য়াওখিবা 'য়ূমহোংদুনা' হায়খিবা অদু ***'থুমহোংদুনা'*** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি।

**- প্রুফ রিদর**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।